ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯑꯣꯒꯁ꯭ꯠ ꯲꯶, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯵꯱ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, ওগষ্ট ২৬, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ১৫১শুবা মশীং

# ইন্দো-নাগা পীছ টোক্কী অরোইবা ৱারোইশিন

## ইন্টরলোক্যুটরগী মতাংদা কাঙলূপ মশেল মোৎ মান্নবা ঙমদবগুম তৌরি

নাগা ইন্টলেকচ্যুয়ল ফোরম কৌবা লূপ অমনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা অইবা চেরোল অমা থাদুনা অথুবা মতমদা নাগা পীছ টোক্কী অরোইবা ৱারোইশিন অমা পুরক্নবা থৌরাং লৌখৎপীয়ু হায়না তকশিনখ্রে। ফোরমগী কনভিনর ৱোর্থিংটন মাহুংনা প্রাইম মিনিষ্টরদা থাখিবা চেরোল অমনা হায়, সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা পূকচেল শেংনা ৱারোইশিন পুরকপা পাল্লবসু ইন্টরলোক্যুটর মতীক চাদবনা নাকল অনী ৱারী শানবদা খুমাঙ চাওশিনবা ঙমদ্রে। ৱারোইশিন পুরক্নবা হোৎনবদা মরু ওইবা থৌদাং লৌরিবা এন এস সী এন-আই এমগী মথক্তা নাগালেন্দগী গভর্ণরসু ওইরিবা ইন্টরলোক্যুটর আর এন রবিনা মরম চাদবা মরাল পীশিন্দুনা লৈরে। কুমজা ২০১৪দা ইন্টরলোক্যুটর ওইনা খন্দ্রিঙৈদা আর এন রবিনা এন এস সী এন-আই এমগী মায়োক্তা মরম চাদবা মরাল কয়া শীখিবনা মরম ওইরগা নাকল অনীগী মরক্তা থাজনবা ঙমদবা লৈরকপনি হায়নসু নাগা ইন্টলেকচ্যুয়ল ফোরমনা ফোঙদোক্লি। তোঙান-তোঙানবা নাগাশিংগী লূপ কয়া নৌনা শেল্লক্তুনা মান্নদবা ৱাখল্লোন ফোঙদোক্লরকপদগী ৱারোইশিন পুরক্নবা হোৎনবদা খূরৌ থাংলিবসি আর এন রবিগী খূজিল থৌরাংনি। মমাঙ চহীগী ওগষ্টতগীনা ওক্টোবর ফাওবগী মনুংদা য়ানবা পুরক্কদবনি হায়না থা অহুমগী মতম পীখিবদু আর এন রবিগী ঙকচাও থেকপা মথৌনি; মিলিটরিগী অহেনবা মতীক-ময়াই শীজিন্নদুনা নাগা মীয়ামগী পূক্লিংদা মিপাইবা ফাওহল্লে অমসুং কুমজা ২০১৫ 'ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্ট'তা য়াওবা ৱারোলশিং শেমদোক্তুনা ৱারোইশিন পুরক্নবা হোৎনবদা খূরৌ থাংহন্নবা হোৎনরে হায়নসু আর এন রবিবু নাগা ইন্টলেকচ্যুয়ল ফোরম্না মরাল শীরি। নাগালেন্দগী গভর্ণরসু ওইরিবা আর এন রবিনা পীছ টোক্কী ইন্টরলোক্যুটর ওইরিবমখৈদি ৱারোইশিন পুরকপা ঙম্লোই হায়না পল্লদুনা ফোরমনা হায়খি, অথুবা মতমদা অনৌবা ইন্টরলোক্যুটর অমা খনবগা লোয়ননা পোলিটিকেল এক্সপর্ট অমা য়াওহল্লগা ইন্দো-নাগা পোলিটিকেল টোক্কী অরোইবা ৱারোইশিন পুরক্নবা হোৎনফম থোকই। এন এস সী এন-আই এমনসু আর এন রবিবু ইন্টরলোক্যুটর ওইহন্দনবা তকশিনখ্রে। লূপ অসিগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি ৱিংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়খি, সাউথ ইষ্ট এসিয়াদা খ্বাইদগী মতম শাংনা চৎথরকপা ৱারোইশিন পুরক্নবগী থৌরাং অমা আর এন রবিনা মরম ওইরগা খূরৌ থাংহল্লে।

মশামক্তা ৱারী শানরিবা কাঙলূপ অমবু "খূৎলায় পায়বা গেং" অমদি "অন্দরগ্রাউন্দ গ্রুপ"নি হায়না মরাল শীরিবসি আর এন রবিগী কা-হেনবা থৌওংনি হায়না মরাল শীরদুনা এন এস সী এন-আই এমগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, আর এন রবিনা কুমজা ২০১৫গী ওগষ্ট ৩দা খূৎয়েক পীনখিবা ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্টকী ৱারোল শেমদোক্লগা 'পার্লিয়ামেন্টরি ষ্টেন্দিং কম্মিটি'বু লান্না লমজিংনবা হোৎনরে। লোয়ননা ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্টকী শেমদোক্লবা ৱারোলশিং নাগা ট্রাইব লীদর ১৪, নাগা নেসনল পোলিটিকেল গ্রুপস (এন এন পি জি), নাগালেন্দ গাওন বুরহাস ফেদরেসন (এন জি বি এফ)তা য়েন্থোক্তুনা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমহন্দনবা হোৎনরে হায়নসু মরাল শীরি। জুলাই ২৯দা নাগা হোহোগী প্রসিদেন্ট ঐচ কে ঝিমোমি অমদি জেনরেল সেক্রেটরি কে এলু নদাংনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা থাখিবা চেরোল অমনসু আর এন রবিবু পীছ টোক্কী ইন্টরলোক্যুটর ওইহন্দনবা তকশিনখি। নাগাগী পুৱারী অমসুং অপাম্বা মমুৎ তানা খঙদবা মীশক অমনা ইন্টরলোক্যুটর ওইরবদি ৱারোইশিন পুরকপা ঙম্লোই হায়নসু নাগা হোহোনা ফোঙদোক্লি। অমরোমদা ৱর্কিং কম্মিটি ওফ নাগা নেসনল পোলিটিকেল গ্রুপস (এন এন পি জি)নদি আর এন রবিবু মতীক চাবা মীশক অমনি হায়না থাগৎপা ফোঙদোক্লি। হান্নগী ইন্টরলোক্যুটর পূন্নমকপু নাগা মীয়ামগী অপাম্বা ময়েক শেংনা খঙদবা মীওই ঙাক্তনি হায়না মরাল শীরদুনা এন এন পি জিনা হায়খি, আর এন রবিনা ইন্টরলোক্যুটর হেক ওইরকপদগী ৱারোইশিন পুরক্নবা থবক-থৌরমশিং খুমাঙ চাওশিল্লকখি। মমাঙ চহীগী ওক্টোবর ৩১দা এন এস সী এন-আই এম অমসুং এন এন পি জি য়াওনা ৱাফম খূদিংমক অমত্তা ওইনা য়ানখ্রবা মতুংদা হৌজিক নাগা হোহোগী লুচিংবনি হায়জবা খরনা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমহন্দনবা হোৎনরে হায়নসু এন এন পি জিনা মরাল শীরি। ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা এন এস সী এন-আই এমগী কাঙলূপকা এন এন পি জি গা মোৎ মান্নদ্রে হায়বা য়াম্না ময়েক শেংনা উৎথোরক্লে। নাকল অনীগী অনীংবা-অপাম্বা খেন্নবদগী ফীভম অসি ওইরক্লিবরা নৎত্রগা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা "দিভাইদ এন্দ রুল"গী থৌশিল চৎথদুনা কাঙলূপ মশেল মোৎ মান্নহন্দ্রিবরা হায়না চিংনিংঙাই ওইবা ফীভম অমদা লৈহল্লে। অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু ফীভম অসিদা ৱারোইশিন পুরকপা হায়বদুদি ওইথোকপদা খরা ৱানা থোক্কদবা মাল্লি।

### ◇◇◇◇◇◇◇◇ এডিটরদা থারকপা চিঠি ◇◇◇◇◇◇◇◇

## মণিপুরী লোল হেন্না চাওখৎনবা ঐখোয় পূন্না হোৎনমিন্নবগী মথৌ তারি

**ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,**

কুমজা ১৯৯২গী ওগষ্ট ২০দা পার্লিয়ামেন্টতা মণিপুর লোল পাস তৌরবা মতুং ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী ৮শুবা সেদ্যুলদা চনখি। মসিগী মতুং হৌখিবা চহী ২৮ লোলসি চাওখৎনবগী থবক্তি পূক্লিং থৌগৎনীংঙাই ওইদ্রি। মরম অসিনা ষ্টেট লৈঙাক্না লোলসি চাওখৎনবগীদমক প্লান্নিং, পোলিসি, মতিক চাবা বজেট, লোলসিগী দিপার্টমেন্ট চাওখৎপা, মণিপুর লোলগী য়ুনিভর্সিটি লীংখৎপা, মহৈ তম্নরিবা টেক্সবুক খুদিংমক মণিপুরী লোলদা হন্দোকপা অমসুং পরিক্ষা থাহনবা, মণিপুর ওফিসল লেংগ্বেজ এক্ট মপূং ফানা চৎনহনবা, শেলয়েক্তা মণিপুরী ময়েক য়াওহনবা অমসুং লোল চাওখৎনবগী টাক্স ফোর্স শেম্বগী থবকশিং পায়খৎপীগদবনি।

মীয়ামগী ঈহৌ অমনা লোলসি ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী ৮শুবা সেদ্যুলদা চনখিবনি। মণিপুর লেংগ্বেজ দিমান্দ কোওর্দিনেটিং কম্মিটি কৌবা টিচরস ফোরম, ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন, মণিপুর সাহিত্য পরিষদ, ইপা থৌকোক অমসুং নহারোল সাহিত্য প্রেমি য়াওবা কম্মিটি অসিনা ঈহৌ অসিবু লুচিংখি। ঈহৌসিদা কত্থোকখিবা, চেন-চোঙখিবশিং অমসুং মতেং পাংবীখিবা পূন্নমকপু ইকায়খুম্নবা উৎচরি। মণিপুরী লোলসি সেদ্যুল লেংগ্বেজ ওইরবা মতুংদা লোলসি চাওখৎনবা থবক পায়খৎনবগীদমক অসামগী লখিম্পুর, কছারদা কুমজা ১৯৯৩গী মার্চ ৮দা মণিপুর লেংগ্বেজ দিমান্দ কোওর্দিনেটিং কম্মিটিগী মীফম অমনা কম্মিটিসি দিজোল্ব তৌরবা মতুং কম্মিটিসিগী মহুৎ শিনবা ওইনা মণিপুর লেংগ্বেজ দিভলপমেন্ট সোসাইটি শেমখিবনি। হৌজিক্তি লোল অসি চাওখৎনবা সোসাইটি অসিগী থৌদাং লৈরি।

মণিপুরী লোল অসি সেদ্যুল লোল ওইনবগী মপূং ওইবা শক্তমদি হিংসা য়াওদনা মীপূম খুদিংমক্না মীয়ামগী খোঙচৎ, মীফম, মীটিন, খন্ন-নৈনবা, খূত্থাং চরা হেনবা, লেপ্তুনা চরা হেনবদা শরুক য়াবা অমদি সেদ্যুল লেংগ্বেজশিংবু বাইওকোদ তৌবনচিংবনি। মণিপুরী লোলবু ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী ৮শুবা সেদ্যুলদা চন্নবা মতোন লোম্বা ঈহৌদা মণিপুর লেংগ্বেজ দিমান্দ কোওর্দিনেটিং কম্মিটিগী চেয়রমেন ডা. এম এস নিঙোম্বানা লুচিংদুনা পার্লিয়ামেন্টকী কালেন মীফম মনুংদা লেপ্তুনা চরা হেনখিবদুনি। চরা হেনখিবা অদুদা শরুক য়াখিবশিং অদুদি এন জি নবদ্বিপ অসাম, এন দিলিপকুমার অসাম, কৌব্রু নিঙোম্বা মণিপুর, কে চীংখাম মণিপুর, এন জি জয়ানন্দ মণিপুরনি।

দিল্লিগী বোট ক্লবতা এপ্রিল ৩০দগী মে ১৫ ফাওবা চত্থখিবা ঈহৌদুগী মহয়না নেগোসিএসন তৌরবা মতুংদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না তুমিন্না লৈবা ঙমখিদে। ইন্দিয়া লৈঙাক্কী হোম মিনিষ্টর এম এম জেকোবনা মে ৮দা পার্লিয়ামেন্টতা ফোঙদোকখি মদুদি পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফমদা বিল অসি শোয়দনা থাঙ্গৎচরগনি মরম অদুনা ঈহৌ হৌরিবা পূন্নমক পোত্থাবীরো হায়খি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পাউসি অইবা ওইনা খঙহল্লবা মতুংদা মে ১৫দা চরা হেনবগী খোঙজং অমদি ঈহৌসু লেপখি। নুমিৎ ১৪নি চূপ্না চরা হেনখিবগী মহয়না মীয়ামগী অকনবা খোল্লাউবু খঙবীদুনা পার্লিয়ামেন্টকী নোংজু মীফমনা কুমজা ১৯৯২গী ওগষ্ট ২০দা মণিপুরী লোলবু ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী ৮শুবা সেদ্যুলদা চলহন্নবা হাওস অনীমক্তা পাস তৌখিবনি।

মরম অসিনা মণিপুরী লোল অসি অমুক্তা হেন্না চাওখৎহন্নবগীদমক ঐখোয় পূন্না হোৎনমিন্নবগী মথৌ তারি হায়বা ৱাফম থমজরি।

*অদোমগী - এন জি নোংয়াই, এক্স হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন মেম্বর, মণিপুর*

# থিরিলদা লৈবা বেক্টেরিয়াগী সেম্পলশিং লৌরগা নারক্কদবা লায়না খঙদোকপা

**সাইন্সকী খোঙচৎ**

**কুঞ্জো নাওরেম**




জি আই ট্রেক্টকী বেক্তরিয়াশিংবু খোমজিনবা ঙম্বা কেপস্যুল


ঐখোয়না চাখিবা চিঞ্জাক অসি তুম্ন-তুম্না (দাইজেষ্ট তৌনা তৌনা) চাকখাওদগী থিরিলদা চঙখি, অদুগা মখা তানা দাইজেষ্ট তৌরগা হকচাংগী কান্নবা পোৎলমশিং শেল্লকই। অসিগুম্বা থৌওং অসিদা থিরিলদা লৈবা 'গট বেক্টেরিয়া' হায়না খঙনবা মাইক্রোওর্গানিজমশিং (গট মাইক্রোবাইওটা/মাইক্রোবাইওম হায়নসু খঙনবা) অসিনা অচৌবা থৌদাং লৌই। মমাগী খোল্লাং থক্লিবা/বী অঙাংশিংগী থিরিলদা লৈবা *বিফিদোবেক্টেরিয়া* অসিনা খোল্লাংবু তুমহল্লি। চিঞ্জাক্তা ফাইবরশিং তুমহনবদসু গট বেক্টেরিয়ানা অচৌবা থৌদাং লৌই। মী অমগী ইম্যুন সিষ্টমনা মথৌ তাবা অমসুং থোপকী হকশেলদসু বেক্টেরিয়াশিং অসিনা মতেং পাংই। দাইবেটিস, ওবেসিটি, ইনফ্লেমেটরি বোৱেল দিজিজ, ঐচ আই ভি, ওটিজম্নচিংবা লায়নাশিং পোকহনবদা গট বেক্টেরিয়ানা শরুক য়াই। করিগুম্বা মতমদা গট বেক্টেরিয়াশিংগী মরক্তা খল কায়রকপদগী মখল কয়াগী লায়নাসু পোক্লকপা য়াই। অদুনা মী অমগী গট বেক্টেরিয়াশিংগী লৈরিবা ফীভমবু খঙদোকপা হায়বসি য়াম্নমক মরু ওইরক্লি।

গ্যাষ্ট্রোইন্টেষ্টিনেল ট্রেক্ট (জি আই টি) হায়রগা খা, ওসোফেগস, চাকখাও, পেনক্রিজ, ফিরাক, মশিংখা, অপিকপা থিরিল, অচৌবা থিরিল অমসুং রেক্টমবু খঙনৈ। পরদু য়ুনিভর্সিটিগী থিজিন লূপ অমনা কোলোনোস্কোপিগুম্না মথৌ তৌবা খূৎলায় অমা য়োৎশিনখ্রগা, জি আই ট্রেক্টকী ভিদিও লৌরকপদা নত্তনা গট বেক্টেরিয়াশিংগী সেম্পলশিংসু লৌরকপা ঙম্মী হায়না রোয়ল সোসাইটি ওফ কেমিষ্ট্রিগী 'আর এস সী এদভান্সেস'তা ফোঙদোরক্লি। অসুম্না জি আই ট্রেক্টকী মফম পূন্নমক্তগী সেম্পলশিং লৌরকপা হায়বসি মমাঙথক্তা কনামত্তনা পাঙথোকপা ঙমখিদ্রি হায়না পরদুগী মেটরিএলস এঞ্জিনিয়রিংগী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর, রহিম রহিমিনা ফোঙদোক্লি।

পরদুগী খূৎলায় অসি হীদাক্কী মওং মানবা কেপস্যুল অমনি, মসিনা বেট্টরি য়াওদনা গট ফাওদুনা চৎপা ঙম্মী। কেপস্যুল নৎত্রগা গুলিগী মওং মানবা খূৎলায়না কোলোন (অচৌবা থিরিল) ফাওদুনা চৎলগা মমি অমসুং ভিদিও লৌবগী থবকসিদি হান্নসু পাঙথোক্লখ্রে অদুগা শীজিন্নবসু হৌখ্রে, অদুবু বেক্টেরিয়াশিংগী সেম্পল লৌবসিদি হান্না পাঙথোকখিবা লৈত্রি। থিজিন-লূপ অসিনা পুথোরক্লিবা বেক্টেরিয়া সেম্পলিং কেপস্যুল অসিগী মমলসু হোৎংগনি, চাউরাক্না দোলর অমগুম্বা ওইবা য়াই হায়না রহিমিনা মখা তানা ফোঙদোক্লি।




মীওইবগী জি আই ট্রেক্ট অসি ওক্কীগা য়াম্না মান্নে। অদুনা রহিমিগী থিজিন লূপ অসিনা কেপস্যুল অসিবু ওক্তা অহানবগী ওইনা চাং য়েংখি। মখোয়না য়াগী অহোবা মেনবা অমসুং য়া অনৌবা হাপ্পদা শীজিন্নবা রেজিন অদুমক শীজিন্নদুনা কেপস্যুল অদুবু 3D - প্রিন্ট তৌখি। মেটরিএল অসিবু মীনা য়োৎশিনখিবা য়ানবা অমসুং হু চেন্দনবগীদমক খজিক্তং শেমদোকপগী মথৌ তাখি। গটকী লৈফম খরগী pH - কা থেংনবা মতমদা, কেপস্যুলদুগী বাইওদিগ্রেদেবল ওইবা মকুদু তুমখি। কেপস্যুলদুগী মনুংদা, দাইপর (অঙাংশিংগী মথি-ময়ুং চোইথোকহন্দবা পোৎ) শিংদা শীজিন্নবা অদুগা মান্নবা **হায়দ্রোজেল**দু চাওথোরকই অদুগা বেক্টেরিয়া য়াওরবা থিরিলগী মহীদু চুপশিল্লকই। অসুম্না সেম্পলিং তৌবা লোইরবা মতুংদা প্রেসরনা কেপস্যুলদুগী এপরচরবু খুমজিল্লি।




থিজিন লূপ অসিনা প্রোটোটাইপ কেপস্যুল অসিবু জি আই ট্রেক্টকী গট বেক্টেরিএল ফ্লোরাগা মান্নবা মওংদা শেল্লবা মহী অমদা চাং য়েংখি। মখোয়না সেম্পলদা য়াওরক্লবা বেক্টেরিয়াবু তোঙান-তোঙানবা অকোয়বগী ফীভমশিংদা লৈবা মতমদা কেপস্যুলদুনা ঙাকথোকপা ঙম্বগী শক্তিদুবুসু চাং য়েংখি। কেপস্যুল অসিনা পুং অমগী মনুংদা *ঈ-কোলি*গুম্বা গটতা লৈবা বেক্টেরিয়াশিংগী সেম্পল মায় পাক্না লৌবা ঙমখি। মীওইবদা, কেপস্যুল অদুনা জি আই ট্রেক্ট ফাওরগা অমাংবা (থি) গা লোয়ননা চৎলি অদুগা সেম্পলশিং খোমজিল্লকই। থিজিনবা অসিদা শরুক য়ারিবা মী অদুনা মখোঙ হাম্বদা য়াওরকপা কেপস্যুল অদু লৌরগা, কেপস্যুলদুগী মখুম হাংদোকই, অদুগা খোমজিল্লক্লিবা বেক্টেরিয়াশিংদুগী মরমদা নৈনৈ। পাম্বৈ অসিগী মতেংনা গটতা লৈরিবা বেক্টেরিয়াশিং মশক খঙদোকপা ঙম্মী অমসুং বেক্টেরিয়াশিংদুবু লাকশিল্লগা লায়নাশিংবু থেংনবদা মতেং পাংই।

মথক্তসু পনখ্রে, মদুদি ওবেসিটি, দাইবেটিস অমসুং ন্যুরোলোজিকেল দিজিজশিংগুম্বা মী অমগী ফিজিওলোজিদা গট মাইক্রোবাইওটানা মরু ওইবা থৌদাং লৌই। অসুম্না, মাইক্রোবাইওম সেম্পলিং অসি ওইরকপা য়াবা লায়নাশিংবু ফজনা খঙদোকপদা তঙাইফদবা এপ্রোচ অমনি। অদুম ওইনমক, হৌজিক শীজিন্নরিবা ইন্দোস্কোপি নৎত্রগা কোলোনোস্কোপিগুম্বা পাম্বৈশিং অসিদি খূৎলায়দু হকচাং মনুংদা থিংজিল্লি অমসুং অপিকপা থিরিলগী মফম পূন্নমক শিন-থুংনা য়ৌবা ঙমদে। অদুনা জি আই ট্রেক্ট শিনবা থুংনা মাইক্রোবাইওম সেম্পলশিং খোমজিনবা ঙম্বা, বেট্টরি য়াওদবা 3D - প্রিন্ট তৌরবা সেম্পলিং কেপস্যুল অসিগী মথৌ তারকই। কেপস্যুল (মিলিমিটর ৯ x মিলিমিটর ১৫) অসিদা 3D - প্রিন্ট তৌরবা এক্রাইলিক হাওজিং, থুনা চুপশিনবা ঙম্বা হায়দ্রোজেল অমসুং কোম্থোক-কোনশিন য়াবা PDMS (প্লান্ট দিজাইন মেনেজমেন্ট সিষ্টম) মেম্ব্রেন য়াওই।

জি আই ট্রেক্টকী মনুংদা লৈরিবা মাইক্রোবিএল ফ্লোরাগী মহীশিং য়াওরবা সেম্পলশিংদুনা কেপস্যুলদুগী মখুমদা য়াওবা এপরচর ফাওরগা চঙলকই। মাইক্রোবাইওমদুনা অমুক্তংবু হাওজিংদা চঙলকখ্রবদি, **হাইদ্রোজেল**দুনা মহীদু চুপশিল্লি অদুগা চাওথোরক্তুনা পোলিমরিক মেট্রিক্সকী মনুংদা সেম্পলশিংদু তেক্তা-কায়দনা থম্মী; অদুগা মখা তানা মহীদু চঙলক্তনবা সেম্পলিং এপরচরদু থিংনবগীদমক কোম্থোক-কোনশিন য়াবা PDMS মেম্ব্রেন্দা প্রেসর পীরকই। অসিগুম্বা টেক্নোলোজি অসিনা জি আই ট্রেক্ট পূন্নমক্কী মাইক্রোবাইওমশিংবু হকথেংননা সেম্পলিং তৌবগা লোয়ননা মখোয়গী মরমদা নৈনবা ঙমহল্লি। মসিনা হোষ্ট-মাইক্রোওর্গানিজম ইন্টরেক্সনশিং অমসুং মেটাবোলিজমদা চিঞ্জাক্না লৌরিবা থৌদাংদু চপ চানা খঙদোকপদা মতেং পাংই। অসিগুম্বা পাম্বৈ অসি মপূং ফানা শীজিন্নবা ঙম্লকপা মতমদদি লায়না কয়া নারক্কদবদগী ঙাকথোকহৌবা ঙম্লগনি হায়না থিজিন লূপ অসিনা ফোঙদোক্লি। ●

# মণিপুরগী থোইদোক হেন্দোকপা শান্নরোয় অকোয়জম বিনোদকুমারনা লৈখিদবদা - ২

**- লৈশাংথেম অজিৎ -**

মমাঙগী চেফোঙদা অকোয়জম বিনোদকুমার (তরাগেশ্বর) লৈখিদবগা মরী লৈননা লৈখিদ্রবা অসিগী মরমদা খরদং খঙজহৌবা ৱারেং অমা লাম্থোকচখিবগী মখা তারকপা ওইনা কুমজা ১৯৬৫দা অসামগী নগাওন কৌবা টাউন্দা অহানবা অসাম ওলিম্পিক গেমস পাঙথোকখিবদা অসামগী দিষ্ট্রিক্টশিং শরুক য়াখি। মণিপুর অসামগী দিষ্ট্রিক্ট অমা নৎত্রবসু শান্ন-খোৎনবগী হীরমশিং ফুটবোল, হোকি, বোল্লিবোল, এথলেটিক্স, বেদমিন্টন অমসুং টেবল টেনিস মশান্নশিং অসিগী অশিল অরাং ওল মণিপুর স্পোর্টস এসোসিএসন্না তৌই। এসোসিএসন অসি অসাম ওলিম্পিক এসোসিএসন অসিদা এফিলিয়েট তৌই। মরম অসিনা অহানবা অসাম ওলিম্পিক গেমস নগাওন্দা পাঙথোকপা অসিদা মণিপুরগী টিমসু শরুক য়াখি মদুদা অকোয়জম বিনোদকুমারসু টিম অসিগী এথলেট ওইনা শরুক য়াখি। টিম অসিদা য়াওখিবা মশক নাইবা এথলেট খরদি রিমস রোদতা লৈবা ওজা সেরাম লোকেশ্বর, উরিপোক্তগী নোংথোম্বম মায়পাক, শিংজমৈদগী লৈশাংথেম জয়কুমার, খোংমন্দগী ওইনাম রাসবিহারি, নাওরেম লৈকায়দগী ইন্দ্রমনি শর্ম্মা হৌজিক্না বামোন লৈকায়দা হোংখ্রবনচিংবনি। নুপীগী টিমদা মশক নাইরবী কয়ামুক য়াওখি। অদুবু মখোয়গী মশক অমদি মমিং অয়াম্বনা কাউনখি। মরমদি মখোয়শিং অসি অয়াম্বনা তোইনা উনদে অমদি নগাওনগী খোঙচৎ অদুদগী হৌজিক্কী মতম ফাওবা উবা ফংদবা য়াওরি। অদুবু নীংশিংবা খরদি করাম প্রমোদিনি, মিটর ৮০০গী চেম্পিয়ন, রাসবিহারিগী লোয়নবী। ডাক্টর সৱাইজম নিঙোল সুচিত্তা অমদি জন্মষ্টানগী সোরোজিনি হৌজিক পুরানা রাজবারিদা লৈখ্রবীনচিংবনি।



কুমজা ১৯৬২গী কাংলাদা পাঙথোকখিবা ষ্টেট গেমসতা বিনোদকুমারনা হায়জম্প অমসুং ট্রিপল জম্পতা মকোক ওইখি। তৌইগুম্বসুং মিটর ১১০গী হর্দলসতা অনীশুবা তাখি। মদুদা মহাক য়াম্না নুংঙাইখিদে। থৌরম অদুদা শীজিন্নরিবা হর্দলসশিং অদু ষ্টেন্দর্দ লৈতে, কম্পেনি অমনা শাবা নত্তে, অশিন অরাংনা মী নেক্তুনা শাহনবা মাল্লি। হায়জম্প চোঙবদা শীজিন্নবা হায়জম্প ষ্টেন্দগুম্বনি। ফুট ৩ ইঞ্চি ৬ ৱাংনা শারগা মথক্তা চৈ অমা ফৈবনি, ফৈরিবা চৈ অদু খজিক্তং শোকপদা লৈবাক্তা তাই। মদুদা মহাক্না ৱাকৎপদি লমজেল অদুদা শরুক য়ারিবশিংনা ফৈরিবা চৈ অদু কান্দুনা চেনগদবগী মহুত্তা চৈ (বার) অদু চেন্না চেন্না মখূৎনা ইনথৈ হায়বা অসিনি। মহাক্না লমজেল অদু অমুক হন্নবা ৱাকৎপদা ওফিসলশিংনা য়াখিদে।

মখা তারকপদা অমুক অসাম ওলিম্পিক অনীরকশুবগী নীংশিংবদা, ঐহাক্না চহী অনীমক অসাম ওলিম্পিক্তা মহাক্কী মথংদা হায়জম্পতা অনীশুবা পোজিসন তাদুনা সিলভর মেদল অনীরক ফংখি। গুৱাহাটিগী গেমস অসিদা ঐহাক্তি মফম অদুদা লাইরিক তমদুনা লৈবনা গুৱাহাটি টিমগী ওইনা শরুক য়াই। গুৱাহাটি অসি কামরুপ দিষ্ট্রিক্টকী মখাদা লৈরম্মী। অদুবু অশিল অরাংশিং অদুনা গুৱাহাটিগী মমীংদা গেমস অদুদা শরুক য়াখি। গেমস অদুদা শরুক য়ারিবা টিমগী মমিং অমদি এথলেটশিংগী মমিং অসামগী পাউচেশিংদা ফোঙই। মদুদা ঐগী মীং গুৱাহাটি টিমদসু, মণিপুরগী টিমদসু য়াওখি।

অহানবা অমসুং অনীশুবা নগাওন অমদি গুৱাহাটিদা মথংশিংনা পাঙথোকখিবা গেমস অদুদা মমিং লৈরবা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংগী মমিং খরা কাউখ্রবসু মদুদা শরুক য়াখিবা খুদিংমক লমদম অসিদগী খনগৎলবা অফবা মগুন লৈবা শান্নরোয়নি। মরমদি মতম অদু লমদম অসিগী নহা অহলশিংনা এথলেট, ফুটবোল, হোকি অমদি বোল্লিবোলদগী হেন্না শান্নদে। মরম অদুনা এথলেটকী ষ্টেন্দর্দ মতম অদুগা হৌজিক্কা য়েংনবদা মতম অদুদনা য়াম্না হেন্না ৱাংই হায়না লৌবা য়াই।

অহানবা অমসুং অনীশুবা অসামগী ওলিম্পিক গেমস অনী অসিদা শরুক য়াখিবা মণিপুরগী এথলেট অয়াম্বনা ঐখোয়দগী চহী খরা হল্লি। খরা অমনা চহী য়াম্না হেনবসু য়াওখি। লৈখিদ্রবা অহল অসিগী লেঙ্গাশিংগী মনুংদা টিম অসিদা য়াওখিবদি সেরাম লোকেশ্বর, লৈফমনা রিমস রোদতা হায়বদি নিত্যানন্দ লৈরক্তা লৈবা, মমিং চৎপা লমজেল্লোই অমদি হোকি শান্নরোয়নি। মহাক মণিপুর হোকি এসোসিএসন লীংখৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা ওজানি। মহাক্কী লেঙ্গা মান্নবা ওইখিবা নোংথোম্বম মায়পাক, কুমজা ১৯৫৮দা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা নেসনল স্কুলগী শান্ন-খোৎনবা থৌরমগী নূং লংবদা ইন্দিয়াগী স্কুলশিংগী ওইনা হান্না লৈরম্বা রেকোর্দ থুগাইখিবা শান্নরোয় অসিসু টিম অসিদা য়াওই। ময়াম অসিগী মরক্তা কুমজা ১৯৬২দা কংলা (মতম অদুদা অসাম রাইফলস মরিশুবা) দা পাঙথোকখিবা ষ্টেট গেমসতা মিটর ৫০০০, মিটর ১০,০০০ অমসুং মরাথন্দা মকোক ওইখিদুনা ইন্দিভিজুয়েল এৱার্দ ফংখিবা লৈশাংথেম জয়কুমার শিংজমৈদগী লমজেল্লোয় অদুসু শরুক য়াখি। কুমজা ১৯৬২গী ষ্টেট গেমস অসিদা লৈখিদ্রবা অহল অসিনা হায়জম্প, ট্রিপল জম্পদা মকোক ওইখি। তৌইগুম্বসুং মিটর ১১০গী হর্দলসতা অনীশুবা তাখি। মরম অদুনা মহাক য়াম্না নুংঙাইখিদে। মরমদি থৌরম অসি মহাক্কী খ্বাইদগী হৈনবীনি। মতম অদুদা হর্দলসকী থৌরমশিংদা শীজিন্নখিবা হর্দলসশিং অদু ষ্টেন্দর্দ লৈবা কম্পেনি অমনা শাবা নত্তে। অশিল অরাংশিংনা হায়জম্প চোঙবগী ষ্টেন্দগুম্না ফুট ৩ ইঞ্চি ৬ ৱাংনা শারগা মথক্তা চৈ অমা ফৈবনি। ফৈরিবা চৈ অদু খজিক্তং শোকপদা লৈবাক্তা তাই। মতাং অসিদা মহাক্না ৱাকৎলিবদি লমজেল অদুদা শরুক য়ারিবশিং অদুনা ফৈরিবা চৈ (বার) অদু চেন্না চেন্না মখূৎনা ইন্থৈ হায়বা অসিনি। মহাক্না লমজেল অদু অমুক হন্নবা ৱাকৎপদা ওফিসলশিংনা য়াখিদে, ৱাকৎ অদু লৌখিদে। মদুদা মহাক য়াম্না নুংঙাইতে, অদুবু শান্নবগী স্পিরিত্তা ৱা মখা তানখিদে। তৌইগুম্বসুং অসামগী অহানবা অমসুং অনীশুবা ওলিম্পিক্তা অকোয়জম বিনোদকুমারগা মিটর ১১০গী হর্দলসতা লম্বা তৌবা ঙম্বা এথলেট অমত্তা থোরকপা ঙমদে। মহাক্না অনীশুবা তাখিবা অদুদগী য়াম্না হেনখি। মদুনা মহাক্না ৪ x মিটর ১০০গী রেলে চেনবদা শরুক য়াবখক্তা নত্তনা ট্রিপল জম্প, হায়জম্প অমসুং মিটর ১১০গী হর্দলসতা মকোক ওইখি। ওলিম্পিক অসিদগী হেক হল্লকপদা মহাক্কী য়ূমদা রিসিপ্টসন তৌবগী মওংদা চাক চানৈ।

লৈখিদ্রবা অহল অসি এথলেটিক্সকী হীরমদা হৈশিংবা অমদি হীরম অসিদা নুংশিনা পূক্লিং চঙবখক্তা নত্তনা মশান্না কয়াদা থোইদোক হেন্দোক্না শরুক য়াবদা হৈথোই শিংথোইবা নুপানি। মহাকপু তাইবঙ মপুগী মফমদা ঈংনা চিক্না লৈরুনবা ঐখোয় খুদিংনা খুরুমজরি। ●